# স্বাইন ফীভর

সরাংথেম জেসমারানি

হোগ কোলেরা হায়নসু খঙনবা স্বাইন ফীভরসি ভাইরস মখল অমনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। মসিগী লায়না লাইওংসি ওক অমদগী অমদা শন্দোরক্তুনা তমথীরবা লাইচৎসি শন্দোরকই। করিগুম্বা মতমদসু লাইওং উৎতনা অদুমক শিবসু য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বদা লায়না লাইওংসি নারগদি চাদা ৯৫ দগী ১০০ ফাওবা শিগল্লি। নৌরিবা ওকশিংদদি শিবগী চাংসি য়াম্না ৱাংই।

মহীকসি ওক্লা চাবা থকপা অমসুং শ্বর হোনবদা য়াওখিবগা হাপ্তা অমগী মনুংদা লায়নাসিগী লাইওং উৎপা হৌরকই। মহীকশিংসি ওক্কী মচিঞ্জাক্তা সেবা তৌরিবা ওক মপুনা নৎত্রগা লায়না চেল্লবা ওক্তগী শন্দোরকই। স্বাইন ফীভর থোকহল্লিবা মহীকসি য়াম্না মতম শাংনা হিংবা ঙম্মী। ভাইরস অসিনা হেন্না মতম শাংনা লৈবা ঙম্বসি অঙৗংবা অমদি অচোৎপা মফমশিং, মহীকসি অমাংবদা ২০° সেলসিয়সতা হাপ্তা ২ ফাওবা লৈবা ঙম্মী। অদুগা ৪° সেলসিয়সতনা হাপ্তা ৩ হেন্না লৈবা ঙম্মী।

**লায়নাগী লায়ওং ঃ** মহীকসি ওক্লা চাবা থকপা অমসুং শ্বর হোনবদা য়াওখিবগা হাপ্তা অমগী মনুংদা লায়নাসি লাইওং উৎপা হৌরকই। অহানবদা চানিং-থক্লিংবা ৱাৎলক্তুনা ইহৈ হৈনদবা কুল্লগা লৈবা উরক্কনি। মশা য়াম্না শাগৎলক্তুনা ১০৫°-১০৭° ফরেনহিট য়ৌনা লাইহৌ হৌরক্কনি। খঙহৌদনা শিবা ফাওবা য়াওরক্কনি। ইকুই কুইদনা নারকপা ওইরগদি ওকশিংসি চানীং থক্লিংবা ৱাৎপা, ইতন তন্থবা, মমিৎ ঙাঙশিল্লকপা, শ্বর হোনবদা ৱারকপা অমদি খোঙ হান্বা য়ারক্তবা মসিগী মতুংদা অমুক খোঙ হামথরকপা অমদি অমুবা মচুগী ইতোন ফাইবা থেংনবীরক্কনি। করিগুম্বা মতমদসু ওক্কী অপাবা উনশা, মনা, মখৌ, শেগা, মবুক্লচিংবদা ঙাংলৈনবা নৎত্রগা মঙ্গ্রা মচুনা মতৎ-মতৎ ফাওরকপদগী পাক্লা শন্দোরকই। ফীভমসি য়ৌরকপদদি শিদ্রিবা ফাওবা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোল্লগা কুন্দুনা লৈ। হায়রিবা লায়না অসিগী লাইওংসি ওক্কী চহী, ওক্কী মখল, হকচাংগী ফীভম লায়না চেনগন্দবগীসু মখা পোল্লি।



করিগুম্বা মতমদসু ওক্লাওশিং মশা শাগৎলক্তুনা ইন্থম চনশিল্লক্তুনা মশা নিকপা উরকই অমদি পূন্না তাশিন্দুনা লৈবা নৎত্রগা কাচিন্দা তাশিন্দুনা লৈবা উগনি। মপী ফারবা ওকশিংদসু লাইওংসি উবা ফংই। স্বাইন ফীভর থোকহনবা ভাইরস অসিনা গর্ভ পুরবী ওক্কী মচা খাও ফাওদুনা চঙলগা ওক মচা ময়াম অদুদা চঙশিন্দুনা মচা কায়বা অমদি শিনা পোকপা নৎত্রগা অশোনবা থক-থক নীকপা মচা পোল্লকই।

**লায়না করম্না ঙাকথোক্কনি ঃ**

ক) স্বাইন ফীভর নারবা ওকশিং মকোন্দগী তোঙান্না থম্বীগনি।

খ) ওক্লাওনা থা অনি শুরবা মতমদা স্বাইন ফীভরগী টিকা থাদোকপীগনি। মসিগী মতুংদা অহানবা কাপখ্রবা নুমিৎতগী থা অমা ফাবগা অমুক হন্না টিকা থাদোকপীগনি। মসিগী মতুংদা থা ৬ লৈরগা অমুক থাদোকপীগনি।

গ) ওক য়াম্না লোয়বা ফার্মদা অসিগুম্বা লায়নাসিগী লাইওং উবীরগদি মহীকশিংসি য়াম্না থুনা শন্দোরক্তনবা মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডোক্তর অমগা তান্নবীবা য়াম্না দরকার ওই।

ঘ) ওক সেবা তৌবীরিবা মপুনা চঙথোক চঙশিন তৌবা মতমদা মহীক চেল্লক্তনবা অফবা ফিরোল শেৎপীগনি।

ঙ) করিগুম্বদা অনৌবা ওক অমা পুরকপা মতমদা হান্না লৈরম্লিবা ওকশিংগা পূল্লগা থম্বীরোইদবনি।

চ) করিগুম্বা স্বাইন ফীভর লাইওংসি শন্দোরক্লগদি ওক মপুনা তৌবীগদবা থৌরাং খরা -

- মনাক নকপদা লৈরিবা ভেটিরিনরি ডোক্টর অমগা তান্নবীবা।
- অনাবশিং খন্দোক্তুনা তোঙান্না থম্বীবা।
- ওকোনশিং লূ-নান্না থম্বীবা অমদি মহীক মতাই চঙদনবা দিসইনফেক্টেন্ট শীজিন্নদুনা ওকোনশিং লূ-নান্না থম্বীগনি।
- অশিবা ওকশিং অরাপ্পা মফমদা পুদুনা মফম চানা ফুম্বীগনি। অদুগা খ্বাইদগী ফবদি মৈ থাদোকপীবনা হেন্না ফৈ।
- নাদ্রিবা ওকশিং অথুবদা টিকা থাদোকপীবা।
- নাখ্রবা ওকশিং নাবা ফরবা মতুংদা অমুক টিকা থাদোকপীবা।
- ওক লোয়রিবা ওক মপু খুদিংমক হায়রিবা লায়নাসিগী মরমদা ৱাখল তাহনবা।
- অমোৎপা, ফত্তবা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং খক পীজ-পীথক তৌরোইদবনি।
- পীজ-পীথক তৌবা মতমদা মৈদা মুন্না থোঙদোল্লগা পীজবীগনি।
- ওকশা শেম্বা-শাবগী মহী-মচুম, মতু-মরাং অমসুং ওকশা থোংবা হোটেলগী চগুম-চনাই অমদি থাদোক্তুনা লোয়বা য়েন ঙানুগী অহিংবা মরিন পীজবীরোইদবনি।

স্বাইন ফীভর লায়নাসি নারক্লগদি লায়েংবদা কান্নবা ৱাৎলি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বেদি মতম চানা টিকা থাদোকপীগদবনি অমদি ওকোন লূ-নান্না থম্বতনা লায়না অসি লাকপগী চাং য়াম্না নেমগনি। ●

# ফৌ, ঙা অমসুং হঙ্গামগী অওন পোখা পাঙথোক্তুনা লৌবুকশিংবু চহী চূপ্পা হাঙহন্দবা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ







হৌজিক্কী মতমদা লৌখক্তমক উদুনা শেন্দাল লম্বী ওইবা য়ারক্রে। মীশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইদুনা পোখোকসু হেনগৎহন্দবা য়ারক্রে। লৌমীশিংনা অনৌ-অনৌবা টেক্নোলোজি শিং শীজিন্নদুনা পোখোক হেনগৎহনবদা নত্তনা শেম্হোকসু হেনগৎহনবা মথৌ তারক্লে। মসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী লৈজরিবা লৌবুকশিং অসি মফম হাঙহন্দনা সিঙ্গল ক্রোপিংদগী দবল ক্রোপিং অমসুং মল্টিপল ক্রোপিংনচিংবা তৌদুনা পোখোক মরাং কায়না, শেন্দোং লৈনা পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরক্লে।

মণিপুরদা অঙনফৌ থাবগী চাং অসি অসুম অসুম হস্থরক্লিবগী মরুওইবা মরমশিংদি চানবা মখলগী ফৌ মখল ফংদবা, ফৌনা মুনশিল্লকপা মতমদা নোং কন্না চুবা অমদি তুথদুনা ফৌ ময়োল চোংবা, চহী অমদা ফৌ অমুক্তং থাবনা অনীরক থাবদগী চাথোক হেনবা, ইরিগেসন ফজনা লৈতবা, লোক্তাক হাইদেল পাৱর প্রোজেক্টনা মরম ওইদুনা লোক্তাক অমদি অতোপ্পা পাৎ কয়া পাকথোরক্তুনা লৌ উবা য়াবা মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবা অমদি লৌবুক কয়া ঙায়োক পুখ্রি ওন্থোকখিবা অসিনচিংবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা অথেনবা পাৎ ময়াদা লৌউ-শিংউবগী থবক অসি ঈশিং ঈচাওগী মখা পোনবা মরম্না লৌমীশিংদা নীংহন্নবা হেক হেক লাকহল্লি। মমাঙঙৈগী মতমদদি মীশিংসু য়াল্লমদে, লমসু মরাং কায়না লৈরম্বা মরম্না লৌউ অমুক্তং উনরম্মী অমদি করিগুম্বা নোং মরাং কায়না চুদবা চহীদা অমুক্তং উরিবা লৌ অদু ফাওবা লোকপা নিংথিনা ফংদবা অমসুং লৌফম অদু চহী চূপ্পা হাংদুনা লৈবা ফাওবা য়াওরম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী মতমদদি লৌখক্তমক উরগা লৈরম্বা, লৌফম অদুদা ঙাসু য়োকপা অমদি অতোপ্পা পোখোক লৈবা হায়বদি হঙ্গামগুম্বসু থাদুনা চহী অমদা পোখোক অহুম্লক ফংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। অসুম্না তৌদুনা শেন্দোং লৈনা অমদি পোখোকসু মরাং কায়না ফংগদবা থৌওংশিং পায়খৎপগী মতম ওইরক্লে।

মতাং অসিদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওং অমদি অঙনফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা থাদদুনা ঙা য়োকপা অমদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা ফৌ থাদ্রিঙৈদা হঙ্গাম অমুক হুন্দুনা ত্রিপল ক্রোপিং তৌবীবা অসিনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা ফৌ থাবখক্তা নত্তনা হঙ্গাম হুনবা অমসুং ঙা য়োকপসু পাঙথোক্তুনা লৌফম অমদগী পোখোক হেন্না পুথোকপা নত্তনা শেল হেন্না ফংবা ঙমহল্লি। থৌওং অসিদা য়োকপা য়াবা ঙাশিংদি নাপীচাবী, সিলভর কার্প, রৌ, গ্রিগল, পুকলাওবী অসিনচিংবনি। থৌওং অসিদা খরা হেন্না চান্নবা ফৌ হায়রগনা মপান্দগী পুশিল্লকপা হায়ব্রিদ ফৌ মখলশিংনি।

করিগুম্বা লৌফম অমদা ঙা য়োকপগা, ফৌ থাবগা পাঙথোকপীগে হায়রবদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা হান্না শেমদুনা লৈরবা লৌহোনশিং শীজিন্নদুনা এস আর আই হায়রগা খঙনবা সিষ্টম ওফ রাইস ইনটেন্সিফিকেসনগী থৌওং শীজিন্নদুনা ফৌ অমুক থাবিবা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসিদদি লৌ খোইদ্রবসু য়ারে অমদি হারসু হাপ্পীদবা য়ারে। শুপ্নতগী লৌফম শেম্বীরগা লৌহোনশিং পাম্বী অমমমদা ওইনা থাবিবা য়ারে। ঙা য়োল্লম্বা পুখ্রিদা ঙাগী মথি, লেমহৌবা মচিঞ্জাক অমদি পথ-পুমথরকপা পোৎশকশিং অয়াম্বা তুংদুনা লৈবা মরম্না ফৌ পাম্বীগীদমক্তা অসুক্কী মতিক কান্নবা পী। হায়রিবা থৌওং অসি এস আর আইগী থৌওংশিংদা ফৌ থাবনা য়াম্না হেন্না পাম্লে অমদি লৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা অমুক য়োকপদসু খুদোংচাবা য়াম্না হেল্লি।

করিগুম্বা হঙ্গাম হুনবীগে হায়রবদি নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদগী দিসেম্বর থাগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা হুনবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ অমদি অঙনফৌ থানবগীদমক্তসু খুদোংচাবা হেল্লি। ঙা ফার্ম মনুংদদি মফমদু অমুক খোইদোকপগী মথৌ তাদে। ঙা ফানবগীদমক্তা ঈশিং শিৎতোকখিবদগী খরা খরা কংলকপা, চোৎলি-চোৎলি তৌরিঙ মতমদা হঙ্গাম মরূ হুনবীবা য়ারে।

অঙনফৌ লৌউ-পথাপ অসি পাঙথোকপদা শেন্দোং য়াম্না লৈতবা অমদি খূৎশুমলনা অসুম অসুম ৱাংখৎলকপা মরমশিং অসি লৈবনা অয়াম্বা লৌমীশিংনা অঙনফৌ হায়বদি অহানবা লৌরোক অসি উবদা থৱায় য়াওনরক্তবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি চত্থবিরবদি লৌমী কয়াগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমগনি। ঐখোয়গী মরুওইবা চিঞ্জাক অসি চাকনা ওইবনিনা লৌ-উবা হায়বসিসু পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌওং অমনি। ঙা য়োকপনা শেন্দোং লৈবা হেল্লি হায়দুনা লৌ উনবা লৌবুকশিংবু ঙায়োক পুখ্রিশিং ওন্থোকপা কয়া থেংনরি অমদি মসিনা মরম ওইদুনা লৌ উনবগী লৌফমশিং হস্থরকপা অমদি ফৌগী পোখোক হস্থরক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি।

ফৌ, ঙা অমসুং হঙ্গামগী অওন পোখা পাঙথোকপদা শেল চংবগী চাং হন্থহল্লি, পোখোক হেনগৎহল্লি, মীওই কয়াবু শিনফম পীবা ঙমহল্লি অমদি মফম অমত্তদগী পোখোক কয়া পুথোক্তুনা মফম অদুবু চহী চূপ্পা হাংহন্দনা শীজিন্নবগী খুদোংচাবসু পীরি। ●

# আলু থাফম খনবা অমদি থাফম শেম-শাবা

ডো. ৱাইখোম জিতেন



আলু হায়বসি মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদমদা নিংথমথাগী মতমদা থানবা পাম্বী মখল অমনি। আলুদগী তোঙান তোঙানবা মথেল শেম শাবা য়াই। করিগুম্বা মতমদা আলুবু লায়রবগী মরুপ হায়রগসু খঙনৈ। আলু হায়বসি অহোংবা মমলদা মীওইবদা কান্নবা মচাক কয়া পীবা ঙম্বা পাম্বী মখল অমনি। আলুদা মপূং ওইনা চনাংগী শরুক অদুগা ভিটামিন মপূং ওইনা সী অমসুং বি১ মরাং কায়না য়াওই। আলু অমগী মশাদা কার্বোহায়ড্রেট হায়রগা খঙনবা চনাংগী শরুক চাদা ২০.৬; প্রোটিন ২.১; ফেট (মহাও) ০.৩, মশিংগী শরুক (Crude fibre) ১.১ অমদি ০.৯% ash য়াওই।

মফম খনবা : আলু হায়বা পাম্বী অসি অয়াম্বা লৈবাক লৈহাওদা থাবা য়াবা পাম্বীনি। কা হেন্না য়াকপা মখলগী লৈবাক লৈহাওদা আলু থাবা পক্লদে। লৈবাক মনুংদা পাল্লক্কদবা আলুশিংনা চাও-খৎলকপদা অথিংবা কা হেন্না পীরোইদৌবা ফ্রোং-ফ্রোং লাওবা মফমদা আলু থাবা পক্লে। আলু থাগদবা মফম অদু ঈশিং কুইনা তুংশিন্দুনা লৈগনবা মফম ওইরোইদৌবনি। আলু থানবগীদমক খ্বাইদগী ফবা মফম হায়রবদি ফোলি ওইনা তৌবগা লোয়ননা শা-ষণ অমদি পাম্বী-শিংবীনা পথ-পুমথদুনা ওইরকপা লৈবাক লৈশা (ওর্গানিক মেট্টর) মরাং কায়না য়াওগদবনি। নোং তাবা নৎত্রগা ঈশিং চল্লবা মতুংদা ফান শানা য়ৈশিনগনবা মফমদা আলু থাবা পক্লদে। নোং তারবসু থুনা ঈশিং চুপথখিবা ঙম্বগা লোয়ননা লৈবাক মনুংদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙবা ঙম্বা মফম ওইগদবনি। আলু থাগদৌরিবা মফম অদু আলুগী হেক মমাঙদা মখোয়গা কাঙলূপ পুনবা মখলগী পাম্বীশিং হায়বদি খামেন অশিনবী, খামেন বারমাসিকা, মোরোক নৎত্রগা কেপসিকম থাখিবা মফম ওইরোইদৌবনি। য়ারিবমখৈ মমাঙ চহীদা আলু থাখিবা মফমদা আলু থাবিরোইদবনি। অসুম্না তৌবসিনা লায়না তীলনা তাবগী চাং হন্থহল্লি। মমাঙদা আলু থাখিবা লৌফম অদু কুমসিদি হৱাই মখল অমা থাবীবনা খ্বাইদগী ফৈ।

আলু অসি ভাইরসনা থোকহনবা লায়না কয়ানা নাহনবা পাম্বী অমা ওইবনা লৌফমগী অকোয়বা অদু নাপী-শিংবী মোংশোং য়াম্না লৈহন্দুনা তীল-কাংগী শৈদাংফম পীবা মফম ওইহল্লোইদবনি। আলু থাগদবা মফম অদু নুংশা মরাং কায়না ফংবা মফম ওইগদবনি। করিগুম্বা উ হৌরবদি মশা থাদোক্তুনা লৌফমদা উরুম লাংদনবা হোৎনবীগদবনি।

আলু থাগদবা মফম শেম শাবা : আলু থাগদৌরিবা মফম অদুদা লৈরম্বা মমাঙদা থাখিবা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং নিংথিনা লৌথোকপীয়ু নৎত্রগা নিংথিনা পথ-পুমথহনবীয়ু। আলু থাগদৌরিবা মফম অদু য়ামদ্রবদা থা অমদগী চয়োল ৬কী মমাঙদগী খোইবা হৌবীগদবনি। আলু থাগদবা লৌফম খোইবীবা মতমদা য়ামদ্রবদা ইঞ্চি ৮-১২ লুনা খোইবা হায়বসি তৌবিদবা য়াদ্রবা থবক অমনি। আলু থাগদবা মফম অদু হাপ্তামুক কান্নরগা অদুম মরিরক খোইবীদুনা লকুপ তানবা খোইবীগদবনি।

আলু থাগদৌরিবা মফম অদুদা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা কম্পোষ্ট হাপ্পীহৌগদবনি। লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা য়ামদ্রবদা ত্রেক্টরগী ত্রেলর অনীদগী তাদনা লৌবীরগা চাং মান্ননা চাইখাইবিরবা মতুংদা খোইজিনবীগদবনি। অসুম্না অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙ অসিদা Urea, Single super phosphate অমসুং Murate of potash কী হাপকদবা চাং অদুসু হাপ্পীহৌগদবনি। মণিপুরগী অয়াম্বা লৌফমদা চাংচৎতা য়ুরিয়া কেজি ৫৪, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৮৪, ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৪১গুম্বা লৌ শঙম অমা চাউবা মফমদা চাইবীবা য়াই। মরম অসিনা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুরিয়া কেজি ২৭, সিঙ্গল সুপর ফোসফেটকী অপূনবা শরুক হায়বদি কেজি ৮৪ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ২৭কুম্বা চাইশিনবীরগা খোইজিনবীগদবনি।

অসুম্না নিংথিনা শেল্লবা লৌফম অদুদা আলু থানবগীদমক ফিট ৩-৪.৫ ফাওবা পাকপা অদুগা ইঞ্চি ১০-১২ ৱাংবা ফৈদোমশিং চিংখৎপীদুনা আলু থাফম শেম্বীগনি। করিগুম্বা আলু থাফম অদু পুকশ্রি হায়না খঙনবা লৈবাক মনুংদা লৈবা আলু পাম্বী ককথৎপা/অপানবা আলুশিং ফাওবা হুৎপা তীল মখল অদু লৈগল্লবদি Fenvalerate 0.4% DP নৎত্রগা Malathion 5% DP কেজি ৭ লৌ শঙম অমগী লৌফমদা নৎত্রগা Ferterra কেজি ২.৫ লৌ শঙম অমগী লৌফমদা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈ হার চাইবদা হাপ্পীহৌগদবনি। ●

TRANSLATING DRAFTING & EDITING AT WONDER WORD WEAVER

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.

For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6436/9/10-6/11 (alt)

HL-P/7788/21/10-19/11

MBBS AT ABROAD

Since:2003 Admission Open 2020 ISO 9001:2015-QCS-2020-JREC-12453

Bangladesh, Kazakhstan, Kyrgystan, Russia, Phillipines, Ukraine

Free counselling for higher education ABROAD
MCI & NEXT Coaching Centre at IMPHAL
" Free Clinical Practices at JR Clinic Health Centre during Vacation"

NB: For Admission in China the NMC & Ministry of Education China has not published the list of Medical University for the session 2020/21.

INDIA/ MALAYASIA


MBBS, BDS, Nursing, B.Tech, B.Pharm, Management

JR Clinic Health Centre
Minuthong Hatta Telipati Road River Bank
Imphal, Manipur

JR International Education Consultant
(A.S.Education Trust)
Khergao Thambalkhong Near Cambridge School
Imphal, Manipur

#+91 8974084294/ 8787659341/8399087121 0385-3560172

/ অহানবদা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা চিক্লি-চিক্লি তৌরগা লৈবা, ফান অমদি মোরাদা ফম্বদা য়াম্না নাবা অমাংথোঙদা পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অহানবদা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, মতম খরা তারক্লগা ঈ তাবা অদু ফখিবা, মদুগী মতুংদা অমাংথোঙ অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা চিক্লি-চিক্লি তৌরগা লৈবা, ফান অমদি মোরা ফম্বদা নাবা অমাংথোঙদা পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না লিক্লা হান্বা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্নগসু হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হান্নকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূকচেপ নাবা, হকচাং অসি পোথারগতা লৈনিংবা, হৈনিং-শিংনিংবা পোক্তবা, কময়া অনীমক নাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, খোঙয়া শাবা, খ্বাঙ নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6463/2 থাগৎচরিবা : L. Debenandha Singh, Thinungei

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।